**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কামজোং জিলাদা নুমিৎ হুমি চথুগদবা ৭ লক শুবা শিংচা ব্রু-য়া-ওন ফেষ্টিবেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক য়াখি।

রাজ্যপালনা জিলা অদুগী ওফিসিয়েলশিং অমদি সি.এস.ওশিংগসু মীফম পাঙথোকখি।

২) মণিপুরদা মীকোক থীবগী থবক চথুদ্রিঙৈদা আইন কায়না চংশিল্লকখিবা মীতোপশিং হান্না খন্দোকপীনবা সি.এস.ওশিংনা দাবী তৌরি।

৩) ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না ওর্গানিক ৱেষ্টতগী ওর্গানিক কমপোজ পুথোক্তুনা কোর্পোরেসন অসিগী ওফিসতা সেলস পোইন্ট হাংদুনা ঙসিদগী মীয়ামদা ফংহনবা হৌরে হায়রি।

৪) বিষ্ণুপুর জিলাগী লৌউ শিংবগী খুদোংচাদবা মফমশিং জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা চত্তুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদা লুপা কোতি কয়ামরুমগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ কামজোং জিলাদা নুমিৎ হুমি চখ্থগদবা ৭ লক শুবা শিংচা ব্রু-য়া-ওন ফেষ্টিবেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেল পাঙথোকফম মাউন্ট ব্রু-য়া কচুইদা পাউমীশিংদা ব্রা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা কুম্হৈ অসিগা মরী লৈননা থৌরাং কয়া লৌখৎপা তঙাইফদে। মীয়াম পুন্না হোৎনদুনা কুম্হৈ অসি শৌগৎমিন্ননবা রাজ্যপালনা আপীল তৌখি।

ফেষ্টিভেল অসি ব্রু-য়া-ওন লৈ শাৎপগা মরী লৈননা জিলা থাক্তা চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এম.এল.এ- লৈসিও কৈশিংসু শরুক য়াখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ, লমজেল, ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন য়াওনা মখল মথেলগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি। কুম্হৈ অসি মহৌশাগী ফজরবা তাংখুল নাগা কাংলুপকী নাৎকী ওইবা চৎনবীশিং উৎথোকবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

কামজোংদা লৈবা ৮ শুবা অসাম রাইফলসকী হেদক্বাটরদা ঙসি নুমিদাং লৈরবা মতুং হয়েং নুমিৎযুংবা মতুংদা ইম্ফালদা থুংলগনি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংগী অহানবা তাঙ্কক্কী লোইশিনবগী মীফম অমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা নেসনেল লেবেল মোনিটরসকা লোয়ননা ঙসি দিপ্যুতি কম্মিসনার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কুনা লোইশিনখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্কী য়েংশিনবা অদু কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংনা চখ্থিবনি। মন্ত্রালয় অসিগী মীহুৎ কাংবুনা জিলা অসিগী গ্রাম পঞ্চায়ট ৮ দা চত্তুনা য়েংশিনখি। থা অসিগী ৯ দগী য়েংশিনখিবা অদুদা মখোয়না এম.ভি.এন.আর.ই.জি.এস, পি.এম.এ.ৱাই-জিনচিংবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী ফিভম য়েংশিনখি।

মেমোরেন্দম (এল)ঃ কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিতেসন্না রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্ত্রিঙৈদা মীকোক থীবগী থবক চথুরকপা অসি য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। ঙসি ইম্ফালগী ৱাংখৈ থাংজম লৈকাইদা লৈবা কমিতি ওফ সিভিল সোসাইতিজ ওফ কংলৈপাক্কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাডগী মীফম অমদা জে.এফ.দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম, চৎথোক চৎশিন য়াদ্রিবা চৈরক অসিদা মীকোক থীবগী থবক চথুবা হায়বসিদা আইন কায়না চহি কয়াগী মমাংদগী রাজ্য অসিদা চংশিল্লকখিবা মীতোপশিং য়াওশিনখিদুনা মণিপুরগী নাগরিক ওইহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা মীকোক থীবা অমসুং দিলিমিতেসন তৌগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ৱারোল কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমা ঙসি মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরদা ইং ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি লিশাং শিৎনা লমদম অসিদা আইন কায়না চংশিন্দুনা লৈখ্রবা মীতোপশিংগা মরী লৈননা থেংনরিবা সমস্য কয়া অসি কুপা য়েংশিনবীদুনা মীকোক থীবা অমসুং দিলিমিতেসনগী থবক থৌরমশিং অসি পাঙথোকপীদনবা ৱাফমশিং পল্লি।

শান্নবুং (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী মতমদা হৌদোক্লম্বা খুঙ্গং অমা শান্নবুং অমগী শরুক অমা ওইনা ককচিং জিলাগী ককচিং গ্রাউন্দদা শাগৎলিবা গেল্লেরিগী ফিভম এম.এল.এ- এম. রামেশ্বরনা য়েংশিনখ্রে।

মণিপুর পুলিস হাউজিং কোওপরেসন লিমিতেদনা ৱার্ক এজেন্সি ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শাগৎলিবা গেল্লেরিগী ফিভম য়েংশিল্লদুনা শ্রী রামেশ্বরনা হায়- গেল্লেরি অসি মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনরি। স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়রিবা মণিপুরদগী অফবা শান্নরোই পুথোকবা অমসুং ময়াই কাবা নিশাশিংদগী নহাশিং লাপথোকহন্নবা পান্দমদা

শাগৎলিবা গেল্লেরি অসি ক্বালিতি কন্ত্রোল তৌদুনা প্রোজেক্ট অসি অপিবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনগদবনি।

কৈথেলমানবী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী কৈথেলমানবী অমসুং সাইকুল ফাওনবা থোং ঙসি সাইকুল কেন্দ্রগী এম.এল.এ- কিমনিও হনসিংনা শঙ্গাখ্রে। গুন লৈ হায়না মমিং থোনবা থোং অদু কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনিদা এম.এল.এনা শঙ্গাখিবনি। থোং অসি মমাং চহিদা হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাখিবনি। অদুমওইনমক কুমগী নোং অমসুং তুরেলগী ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী থোংগী শরুক খরা চেন্থখিবদগী থোং অসি নৌহৌননা শেমখিবনি। থোং অসি কাংপোকপী অমসুং সাইকুলগী ওইনা লম্বী ফাওদোক ফাওজিনদা য়ামা মরুওইবা থোং অমনি।

থৌবাল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনাগী এনরোলমেন্ট দ্রাইভ অমা ঙসি লাংঙথেল হঙোই পাৎ অঙ্গনৱাদি সেন্তরদা চথখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার-চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার, আই.সি.দি.এস সেলনা শিনবা থৌরম অদুদা চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার থৌবাল টি.ঐচ. রোমিতা দেবীনা হায়- কেম্প অসি য়োজনা অসিগী মখাদা জিলা অসিদা লৈরিবা বেনিফিসরিশিং মশক খঙদোকপা অমসুং রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগীদমক্তনি। মহাকা হায়- কেম্প অসিনা মীরোনবী নুপী অমদি চাজেনবী নুপীশিং মশক খঙদোক্তুনা মখোয়দা শেলগী তেংবাং পীননবনি। কেম্প অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা চথগনি।

ম্যুনিসিপালিতি (এল)ঃ ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না ওর্গানিক ৱেষ্টতগী ওর্গানিক কমপোজ পুথোক্তুনা কোর্পোরেসন অসিগী ওফিসতা সেলস পোইন্ট হাংদুনা ঙসিদগী মীয়ামদা ফংহনবা হৌরে হায়রি।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী দিপ্যুতি ম্যুনিসিপাল কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ওর্গানিক কম্পোজ অসি যুম যুমদগী লোখৎলকপা

অমোৎ অকায়শিং অদু লমদেংগী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টতা নিংথিনা খন্দোক্লবা মতুং ওর্গানিক কম্পোজ অসি শেম্বনি। হার অসিনা ইংখোল অমদি হৈ লৈ থাবদা য়ামা কান্নগনি। হার অসি আই.সি.এ.আর লমফেলপাৎতা নিংথিনা টেষ্ট তৌরবা মতুং অফবা মখলগী হারনি হায়বদু খঙদোকপগা লোয়নননা মীয়ামদা ফংহনবা হৌবনি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা হার অসিবু লৈবিনিংবা য়াওরবদি ওফিস অসিদা লাক্লগা লৈবা য়াগনি হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা ঙসি জিলা অদুগী লৌ উফম কয়ামরুমদা চত্তুনা লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ঙাংখা লৱাই, নরানসেনা, ফুবালা অমসুং থিংনুংগৈগী লৌমীশিং উন্নদুনা মখোয়না মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীখি। লৌমীশিংনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লৌ উবদা খুদোংচাদবা মায়োকবা অদু কোকনবা থবক লৌখৎপীনবা হায়জবগা লোয়নননা মফমশিং অসিদা ঈশিং মতিক চানা পীবীনবসু হায়জখি।

বিষ্ণুপুরঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা ঙসি মোইরাংদা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধি বালিকা বিদ্যালয়গী ফিভম য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা জোনেল ইজ্কেসন ওফিসার শ্রীমতি এ. গুনামনি দেবী লোয়নখি।

দিপ্যুতি কম্মিসনারগী খোঙচৎ অদুদা মরুওইনা স্কুল অদুগী ক্লাসরুম, থকবা ঈশিং, লু-নানবা, মৈ অমদি চাক চাফমগী মতাংদা কুপা য়েংশিনখি । মহাকা স্কুল অদুগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

সম্মিৎ (এল)ঃ ইম্পৱারিং লোকেল বিজিনেস হায়বা হিরমদা টি.দি.সি.সি.আইগী অনিরক শুবা মণিপুর বিজিনেস সম্মিৎ, ২০২৫ থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা স্লোপলেন্দ পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম

অদুদা মণিপুর সরকারগী দাইতোরেট ওফ ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী দাইরেক্তর রোবিতা য়ুমাম অমদি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হ্ননা কামৈ শরুক য়াখি।

সেসন অনি থোকা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লল্লোন ঈতিক্কী তোঙান তোঙানবা হিরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

মেলা (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাকয়েলদা লৈবা মনিপুর সাইন্স সেন্টরদা থা অসিগী ২০ ফাওবা চথুগদবা ইনফোটেক ফেস-২০২৫ ঙসিদগী হৌখ্রে। মেলা অসি দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি বিভাগনা শিনবনি।

ঙসিগী ওইনা ইগজিবিসন, রোবার্ট দিজাইন সো তৌবা অমদি লাই য়েকপা চাংদমবনচিংবা পাঙথোকখি।। মেলা অসিগী মনুংদা চন্না মহৈরোইশিংনা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং উৎলি। মেলা অসিদা পুন্না স্তোল ৩০ রোম হাংলি।

এম য়ু ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল কেদেট কোর য়ুনিটনা শিন্দুনা এন.সি.সি রেজিং ডেগী থৌরম ঙসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী হেলিপেদতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

থৌবাল ঃ ইম্পৱারিং লোকেল বিজিনেস হায়বা হিরমদা টি.দি.সি.সি.আইগী অনিরক শুবা মণিপুর বিজিনেস সম্মিৎ, ২০২৫ থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা স্লোপলেন্দ পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী দাইতোরেট ওফ ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী দাইরেক্তর রোবিতা য়ুমাম অমদি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হ্ননা কামৈ শরুক য়াখি।

কোভিদ (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি কোভিদ নাইন্তিনগী টেষ্ট ১৩ তৌবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী মীওই অমা পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। মীওই ৯ নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখি। রাজ্য অসিদা হৌজিক এক্তিভ কেস ১০ লৈরি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩২৮ কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩১৮ নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল কেদেট কোর য়ুনিটনা শিন্দুনা এন.সি.সি রেজিং ডেগী থৌরম ঙসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী হেলিপেদতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোইরেঙ্গৈদগী সেকমাই ফাওবগী লম্বী পরিং থা অসিগী ২০ দা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা খরা লৈরগনি। ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজনগী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ার পি.দব্লিউ.দিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- লম্বী অসিগী সেকমাই পারৌ ময়াদা লম্বী তৌখায়দুনা পাইপ কলভর্ট হাপ্পগী থবক চথুগদবনা লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈগনি।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চনবা ৱাইতোনদগী তেজপুর তাবা ৱাইতোন লমখায় লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফত্তবনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। আইদিয়েল ক্লব ৱাইতোন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়- ক্লব অসিগী মীওইশিং জেন্দর এন্দ সোসিয়েল দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেতিং কমিতিগী মেম্বরশিং অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং য়াওনা লম্বীগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মরী লৈনবশিংনা লম্বী অসি অথুবা মতমদা নিংথিনা শেমজিনবীনবা তকশিল্লক্লি।

মোদি বেঙ্গল ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুংথিল নোংচুপ বেঙ্গলগী দুর্গাপুরদা লুপা কোতি লিশিং ৫ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঙসি শঙ্গারিবা অমসুং উরেপ ডয়ুং তল্লিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা লমদম অসিগী লম্বী থোংগী ফিভমদা শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎহল্লগনি। প্রোজেক্টশিং অসিনা গ্যাস শিজিন্নরগা চলাইবা গাড়িশিং পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা শেনমিৎলোনদসু ফগৎহল্লগনি। মহাকা প্রোজেক্টশিং অসিনা ষ্টিল সিতি অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। বন্দে ভারত রেলগাড়ি খ্বাইদগী মশিং য়ামা চেনবা রাজ্যশিংগী মনুংদা নোংচুপ বেঙ্গল অসিসু অমনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

মোদি বিহার ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- নোংপোক ভারত চাওখৎহন্নবগীদমক বিহার চাওখৎহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

ঙসি বিহারগী মোতিহারি জিলাদা পাঙথোকপা থৌরমদা লুপা কোতি লিশিং ৭,২০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং প্রধান মন্ত্রিনা খরগীনা শঙ্গাখি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা রেল, রোড, রুরেল দিভলপমেন্ট, ফিসরিজ, ইলেক্ট্রোনিক্স অমদি ইনফোর্মেসন টেকোলোজি সেক্তরনচিংবা য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ঙসিদি বিহারদা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খুমাং য়াংনা চংশিল্লিবা অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা পুন্না হোৎনমিন্নবদগীনি। য়ু.পি.এ সরকারগী চহি তরাগী মতমদা বিহার শুপতগী লুপা কোতি লাখ অনিরোম ফংখি। অদুমওইনমক, হৌখিবা চহি ১০ অসিদা এন.দি.এ সরকারনা বিহার চাওখৎনবা য়ু.পি.এ সরকারনা পীরম্বা অদুদগী হেন্না পীরে। শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিংদা থবক পীনবগীদমক কেন্দ্রনা লুপা কোতি লাখ অমা হেন্না চাদিং তৌগদৌরি। হৌখিবা চহি খরা অসিদা বিহারগী নহাশিংগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা রাজ্য অদুগী নহাশিংদা থবক ফংহনবগী খুদোংচাবা পীরি। শ্রী মোদিনা হায়- পি.এম. অৱাস য়োজনাগী মখাদা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওইশিংগীদমক য়ুম কোতি ৪ হেন্না শাখ্রে।

রোড ঃ   কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি হর্স মালহোত্রানা হায়রি- সরকারনা লৈবাক অসিগী লম্বী থোংশিং মালেম থাক্তা শেমগৎতুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহনবা, শেল থুমগী লমদা চাওখৎপা অমসুং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনরি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা রোড এন্দ হাইৱেজ সম্মিৎতা শ্রী মালহোত্রানা হায়- হৌখিবা চহি ১১ রোম সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হাইৱে শেমগৎপগী থবক পায়খৎতুনা তোঙান তোঙানবা সহরশিং শমহন্নবা অমসুং লম কয়াদা খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- ইং ২০১৪ দা লৈবাক অসিগী নেসনেল হাইৱে নেটৱার্ক অসি কিলোমিতর লিশিং ৯১ ওইরম্বদগী ঙসিদি কিলোমিতর লাখ ১ লিশিং ৪৬ তা হেনগৎতুনা মালেমগী অনিসুবা খ্বাইদগী চাউবা রোড নেটৱার্ক ওইরে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ  সবজ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ তা শরুক য়াগদবা ষ্টেট অসিগী সবজ্নিয়র গার্লস ফুটবোল টিমগী অনিসুবা এজগী ত্রাইয়েল কম কোচিংদা শরুক য়ানবগীদমক আই.ৱাই.এফ.সিগী দিফেন্দর মংলেম্বী ইরোম অমসুং খুমন এফ.এগী মিড ফিল্ডর দাসিলা শেঞ্জম খল্লে। শান্নরোইশিং অসিনা থা অসিগী ১৯ গী অয়ুক পুং ফাওবদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সুত্তিং ঃ ১৩ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সুত্তিং কম্পিতিসন ২০২৫, স্মোল বোর রাইফল অমসুং পিষ্টোল ইভেন্ট থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী ৬ ফাওবা খুমন লম্পাক সুত্তিং রেঞ্জদা পাঙথোক্লগনি।

চেস ঃ  লাস ভেগাসকী ফ্রি ষ্টাইল গ্রান্দ স্লামদা ভারতকী গ্রন্দ মাষ্টর আর্জ্ন ইরিগাইসি সেমি ফাইনেল চংলে। চহি ২১ খক্তা ঙাইরিবা ভারতকী শান্নরোই অসিনা ক্বাটর ফাইনেলদা উজবেকিস্তানগী নোদিরভেক অবদুসাতোরোভপু মায়থিবা পীখি।

------